# সাউথ চাইনা সিদা য়ু এস মিলিটরি লৈশিনবা হায়বসি মরা তপ্পা ফীভম লৈহন্নবা হোৎনবগা চান্নদে: চাইনা

বৈজিং, জন্যূৱারী ২৫ (এজেন্সী) :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সাউথ চাইনা সিদা জ হাজ অমসুং এয়রক্রাফট তোয়না থারক্তুনা মিলিটরিগী মতিক ময়াই উৎলিবসি লমদম অদুদা মরা তপ্পা ফীভম লৈহন্নবা হোৎনবগা চানদে হায়না চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়েৎনবা লৈবা মরু ওইবা ঈশিং লম্বী অদুদা য়ু এস কেরিয়র গ্রুপ অমা চৎশিনখ্রবা মতুংদা চাইনানা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি। চহী খুদিংগী দোল্লর ট্রিল্লিয়ন কয়াগী লল্লোন পোৎ পুথোক পুশিন তৌরিবা ষ্ট্রেটেজিক সাউথ চাইনা সি অসি মতম শাংনা বৈজিং অমসুং ৱাশিংটনগী মুক্নফম ওইদুনা লাক্লি। মরু ওইনা সি অদুদা য়ু এসনা মিলিটরি এক্টিভিটি চথবদা চাইনানা তত্তনা য়ানিংদবা উত্তুনা লাক্লি।

য়ু এস এস থিওদোর রুসবেল্টনা লুচিংবা করিয়র গ্রুপ অদু ৱারসিপ অহুমগা লোয়ননা থাংজ নুমিত্তা 'ফ্রীদম ওফ দি সিজ' প্রমোট তৌরদুনা ঈশিং লম্বী অদুদা চৎশিনখ্রবনি। খোঙথাং অসি জো বাইদেননা য়ু এস প্রসিদেন্ট ওইরবা মতুং শুপ্পগী নুমিৎ খরনিগী মনুংদা লাকপনি। য়ু এস মিসন অদুগী পাউখুম ওইনা



চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন জাও লিজিয়ননা ফোঙদোকখিবদা য়ু এসনা সাউথ চাইনা সিদা এয়রক্রাফট অমসুং ভেসেলশিং তোয়না থারিবসি লমদম অদুদা মরা তপ্পা অমসুং তংদু লৈতাবা ফীভম লৈহন্নবা হোৎনবগী ৱাফমগা চানদে। চাইনানা পায়শিল্লিবা সাউথ চাইনা সিগী ঈথৎশিংগী মনাক্তা য়ু এস নেভিগী জহাজশিং চঙশিনবগী মতাংদা চাইনানা হঞ্জিন হঞ্জিন কমপ্লেইন তৌখ্রবনি। ভিয়েটনাম, মালেসিয়া, ফিলিপিন্স, ব্রুনৈ অমসুং টাইৱাননসু সি অদুগী মফম কয়া মখোয়গী ঈশিং লমনি হায়না ক্লেম তৌরি।

চাইনিজ এয়র ফোর্সকী জেটশিং টাইৱানগী খানোংচুপ থংবা এয়র দিফেন্স আইদেন্টিফিকেসন জোনগী শরুক্তা চঙশিল্লক্লে হায়না চাইনানা ক্লেম তৌরিবা ঈথৎ অসিনা ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা ৱাশিংটননা করিয়র গ্রুপ অদু সি অদুদা থাজিনখিবনি।

চাইনিজ এয়র ফোর্সনা চথরিবা থৌওং অদুগী মতাংদা হংবদা জাওনা কম্মেন্ট অমত্তা পীখিদে। শুপ্পগী মদুগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং দিফেন্স মিনিষ্ট্রিদা ওইনা হংবিয়ু হায়খি।

চাইনাগী ফিরেপতি টাইৱান অসি লৈবাক অসিগী তৎন থানবা য়াদ্রবা শরুক্কি অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ৱান চাইনা প্রিন্সিপল ঙাক্কদবনি হায়বসিনি হায়না জাওনা চেৎনা থমখি। টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ঈথৎ অদুগী অৱাংদা লৈবা রাদর বেজ অমা চত্তুনা য়েংশিনখি অমসুং বেজ অদুনা চাইনিজ ফোর্সশিং ট্রেকিং তৌরিবদুবু থাগৎখি।

হৌখিবা চহীদগী হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়গী রাদর ষ্টেসন অসিনা কম্যুনিষ্ট এয়রক্রাফট ২,০০০ রোম অমসুং কম্যুনিষ্ট জহাজ ৪০০ হেন্না দিটেক্ট তৌখি। ঐখোয়না মখোয়বু থুনা মোনিটর তৌদুনা তানখি হায়না সাইনা ওফিসরশিংদা ফোঙদোকখি।

# লোন্না থাউ পীনবা হোৎনরমই হায়দুনা টেঙ্কর ফাজিনখিবগী মরম এক্সপ্লেন তৌনবা ইরাননা ইন্দোনেসিয়াদা তকশিনখ্রে

দুবাই, জন্যূৱারী ২৫ (এজেন্সী) :



ইরানগী ফ্লেগ থেৎপা থাউ পুবা ভেসেল অমা ফাজিনখিবগী মতুংদা অকুপ্পশিং খঙহল্লক্নবা লৈবাক অসিনা ইন্দোনেসিয়াদা তকশিনখ্রে হায়না ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন সয়ীদ খাটিবজাদেহনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দোনেসিয়াগী ঈশিংগী শরুক্তগী ইরান অমসুং পানামাগী ফিরালশিং থেৎপা টেঙ্করশিং ফারে হায়না জকার্টানা লাউথোরকখ্রবা মতুং মথৎগী নুমিত্তা খাটিবজাহেদনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। ইরানগী ফ্লেগ থেৎপা এম টি ফ্রেয়া ভেসেলশিং অসি ইলিগেল ওইবা মওংদা থাউ পীথোক পীশিন তৌনবা হোৎনরম্বদগী ইন্দোনেসিয়াগী কোষ্ট গার্দনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অসিগী ঈশিংগী শরুক্তাগী ফাখিবনি।

কোষ্ট গার্দকী স্পোক্সমেন ৱিসনু প্রমান্দিটনা ফোঙদোকখিবদা কামিলান্টান প্রোভিন্সকা নক্লবা মফমদগী ফাখিবা টেঙ্করশিং অদু মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক রিয়াউ আইলেন্দ প্রোভিন্সকী বাতাম আইলেন্দদা পুরগনি। অহানবা ওইনা লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৫.৩০ তাবদা দিটেক্ট তৌখিবা টেঙ্করশিং অদুগী ক্রুনা মখোয়গী মশক লোৎনবা হোৎনখি। নেস্নেল ফ্লেগশিং উত্তবগা লোয়ননা মখোয়না ওটোমেটিক আইদেন্টিফিকেসন সিষ্টেমশিং মুখৎখি অমসুং রেদিও কোল অমদা রেস্পোন্দ তৌরকখিদে হায়না ৱিসনুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ৱিসনুনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা এম টি হোর্সনা এম টি ফ্রেয়াদা থাউ পীরিঙৈদা জহাজশিং অসি ফাখিবনি। থাউ থাজিল্লিবা টেঙ্কর অদুগী অকোয়বদা থাউ পাথোকপগী মওং লৈরমখি।

ভেসেল অদুগী ক্রু মেম্বর ৬২ ইরানিয়ন অমসুং চাইনিজ নেস্নেলশিংনি অমসুং মখোয় লোয়নমক ফাজি ল্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দোনেসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রি অমসুং ইনর্জি মিনিষ্ট্রিনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

ইন্টরনেস্নেল মরিটাইম ওর্গনাইজেসননা পীবা কাংলোন মতুং ইন্না, সেফটি অমসুং ট্রান্সপরেন্সিগীদমক্তা ভেসেলশিংনা ট্রান্সপোন্দরশিং শীজিন্নগদবনি। পাইরেসি নত্রগা মান্নবা খুদোংথিবা ফীভম থেংনরবদি ক্রুশিংনা দিভাইসশিং অদু মুখৎপা য়াই। তৌইগুম্বসুং লোনা য়াদবা থবকশিং তৌবা মতমদা জহাজগী মফম খঙহন্দনবগীদমক ট্রান্সপোন্দরশিং মুখৎপসি তোয়না থেংনৈ।

# প্রোটেষ্টর কয়া ফাজিনখ্রবা মতুংদা ঈ য়ুনা রশিয়াদা অথিংবা থম্বগী ৱাফম খন্নরগনি

ব্রাসেলস, জন্যূৱারী ২৫ (এজেন্সী) :

ক্রেম্লিন ক্রিটিক নভালনি থাদোক্ল বা তকশিল্লদুনা রশিয়া শিনথুংনা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্টরশিংদা শরুক য়াখিবা মীওই ৩,০০০ হেন্না ফাজিনখ্রবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না রশিয়ন ইন্দিভিজ এলশিংদা ইনৌ নৌনা অথিংবশিং থম্বগী ৱাফম খন্নরগনি।

ব্লোক অদুগী মকোক থোংবা দিপ্লোমেট ২৭ কী মীফম অমদা শরুক য়ানবা ব্রসেলসতা থুংখিবা লিথুএনিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরনা হায়খি, রশিয়াদা অহোংবা লাকপা য়াবগী মমি অমা উরে। নভালনিনা জর্মনিদগী হল্লক্লবা মতুং অসিদা ব্লোক অসিনা রশিয়াদা ওইরক্লিবা ফীভম অদুবু শৌগৎকদবনি।

ঈ য়ুনা য়াম্না ময়েক শেংনা অকনবা মেসেজ অমা পীদুনা রশিয়ন ওথোরিটিশিংনা তৌরিবদু য়াদে হায়বসি খঙহনগদবনি হায়না পল্লদুনা রশিয়ন ইন্দিভিজ্যুএলশিংদা অহেনবা অথিংবশিং থমগদবনি হায়না গব্রিএলিয়স লেন্দসবর্গিসনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৪ দা ক্রিমিয়া পেনিন্সুলা লৌশিনখিবগী মতাংদা ঈ য়ুনা রশিয়াগী ইনর্জি, ফাইনান্সিএল অমসুং আর্মস সেক্টরশিংদা শেল থুমগী অথিংবশিং থমখিবদা নত্তনা মমাং চহীগী ওগষ্টতা থোকখিবা নাভালনি পোইজনিং তৌখিবগা মরী লৈননা প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা নকশিন্নবা রশিয়ন ওফিসলশিংদা অথিংবশিং থমখ্রবনি।

অতোপ্পা বাল্টিক লৈবাকশিং লাটভিয়া অমসুং ইষ্টোনিয়ানসু রশিয়ন ইন্টিভিজ্যুএলশিংদা ঈ য়ুনা অহেনবা অথিংবশিং থম্বগী ৱাফম শৌগৎখি। ইটালিগী ফোরেন মিনিষ্টরনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা রোমনা অহেনবা ট্রাভেল বেনশিং থম্ন বা অমসুং এসেট ফ্রীজ তৌনবা শেম শারে হায়খি। অথিংবা থম্বগী ৱাফম নিংথৌকাবা নুমিত্তা রোমানিয়ানা ফোংনা শৌগৎখি। জর্মন ফোরেন মিনিষ্টর হৈকো মাসনা প্রোটেষ্টরশিং খুদক্তা থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখি। থাংজ নুমিত্তা সেন্ট্রেল মোস্কোদা পুন্না মীওই ৪০,০০০ রোম পুনখি।

# য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটসতা ইজরেলগী এম্বেসি হাংখ্রে



টেল অভিব, জন্যূৱারী ২৫ (এজেন্সী) :

ইজরেলনা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটস (য়ু এ ঈ) দা এম্বেসি হাংখ্রে। লৈবাক অনীনা মপুং ফাবা দিপ্লোমেটিক মরী থম্নখিবা মতুং থা খরগী মনুংদা য়ু এ ঈদা জ্যুরিস ষ্টেটকী এম্বেসি হাংবগী খোঙথাং অসি লাকপনি।

পর্মিনেন্ট এম্বেসেদর অমা হাপত্রি ফাওবা চার্জ দি এফ্যের ওইনা লৈগদৌরিবা এম্বেসেদর ঐটান নায়ী ইজরেলি এম্বেসি হাংদোক্লবগীদমক য়ু এ ঈগী কেপিটেল অবু ধাবিদা থুংখ্রে হায়না জেরুসালেম পোষ্টকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি। ইজরেলি ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা এম্বেসি অদুনা লৈবাক অনীগী মরী হীরম খুদিংমক্তা খুমাং চাওশিনহনগনি অমদি এমিরাটি গভর্ণমেন্ট, ইকনমিক বোদিশিং প্রাইভেট সেক্টর, একাদেমিয়া, মীদিয়ানচিংবা কয়াগা মরী হেন্না পাকথোক চাওথোকহনগনি। চৎকদবা ষ্ট্রকচর অমা লৈত্রিফাওবদি তেম্পররি ষ্ট্রক্টচর ওইনা লৈগনি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ৱাতেমদুনা ৱারী শানখিবদা য়ু এ ঈ অমসুং ইজারেলনা নোর্মেল মরী থম্বগী য়ানখিবনি। ইজরেল অমসুং য়ু এ ঈনা হৌখিবা চহীগী ওগষ্ট ১৬ দা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্দুনা মহৌশাগী মরী থম্নরগনি লাউথোক্লদুনা অব্রহম একোর্দস লোঞ্চ তৌখি। মিসন অদুবু হাংদোকপা অসিনা ইজরেল অমসুং য়ু এ ঈগী বাইলেটরেল মরী হেন্না পাকথোক চাওথোকহনবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরী থম্নবগী কান্নবশিং অদু উহল্লগনি হায়না ইজরেলি ফোরেন মিনিষ্টর গাবি অসকেনাজিনা ফোঙদোকখি। ইজরেলি রিপ্রজেন্টেটিভশিংবু তরাম্না ওকপীবগীদমক অসকেনাজিনা অবু ধাবিগী ক্রাউন প্রিন্স শৈইখ মুহাম্মদ বিন জায়েদ অমসুং এমিরেটসকী ফোরেন মিনিষ্টর অব্দুলাহ বিন জয়েদপুসু থাগৎখি।

# নেপালগী ক্যেরটেক্কর প্রাইম মিনিষ্টর কে পি শর্ম্ম ওলি রুলিং পার্টিদগী তান্থোকখ্রে

*কাথমান্দু, জন্যূৱারী ২৫ (এজেন্সী) :*

*নেপালগী ক্যেরটেক্কর প্রাইম মিনিষ্টর কে পি শর্ম্ম ওলি নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী রুলিং কম্যুনিষ্ট পার্টিদগী তান্থোকখ্রে হায়না মহাকপু য়াদবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।*

*মহাক হৌখিবা দিসেম্বরদা খঙহৌদনা পার্লিয়ামেন্ট মুথত্তুনা মীখল ঙন্না পাঙথোল্লকগনি হায়না লাউথোকখিবগীদমক্তা পার্টিদগী তান্থোকখিবনি। পার্টিগী মেম্বর ওইদ্রবসু ওলি মখা তানা ওফিস পায়রি। ওলিনা খঙহৌদনা পার্লিয়ামেন্ট মুথৎপগা লোয়ননা মীখল ঙন্না পাঙথোল্লকগনি হায়না লাউথোকখিবদু লোনা য়াব্রা নত্রগা কন্সটিট্যুসনগী কাংলোনগী মায়োক্তা ওইব্রা হায়বগী মতাংদা কোর্টনা লেপ্পবা উকিল কয়া অমদি ওলিগী ওপোনেন্টশিংনা থারকখিবা পিটিসন তরা হেন্না নেপালগী তোপ কোর্টগী জজশিংনা হিয়ারিং তৌরি। কোর্টনা মথং থাদা ৱায়েল পীরগনি হায়না থাজনরি।*

*গভর্ণমেন্টগী পোলিসি কয়াদা কোলিগশিংনা কোওপরেসন পীদ্রে হায়রদুনা ওলিনা মীখল চহী অমা হেন্না ঙনখৎনা পাঙথোল্লকগনি হায়না লাউথোকখিবদগী রুলিং নেপাল কম্যুনিষ্ট পার্টি মনুংদা নাকপাক তানরকখি। পার্টিগী রুলশিং ইন্দবা অমসুং অপূনবা ৱারেপকা তায়োন্নবা থবক তৌবগীদমক্তা ঐখোয়না ওলিবু পার্টিদগী তান্থোক্লে হায়না ওলিবু য়াদবা ফেক্সনগী সিনিয়র লিদর পম্ফা ভুসালনা ফোঙদোকখি।*

*তৌইগুম্বসুং লিদর অসি মখা তানা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম পায়দুনা লৈবনা মহাকপু তান্থোকপগী পোলিটিকেল ৱাহন্থোক লৈতে হায়না ওলিগী এইদ মুরয়া থাপানা ফোঙদোকখি। ওলিনা লিগেল অমসুং পোলিটিকেল অনীমক্তা মহাক্না মায় পাক্কনি। লোয়ননা নাকপাক তানরবা মতুংদা মহাক্না রুলিং পার্টি রিপ্রজেন্ট তৌরি হায়না ফোঙদোকখি।*

# কালিফোর্নিয়াদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপখিবা মীওই অমা শিরে

সানফ্রান্সিস্কো, জন্যূৱারী ২৫ (এজেন্সী) :

য়ু এসকী কালিফোর্নিয়া ষ্টেটতা মীওই অমা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অমা কাপখিবা মতুং পুং খরগী মনুংদা লৈখিদ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওথোরিটিশিংদুগী মতুং ইন্না, মীশি অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথবা হৌখ্রে। হৌখিবা থাদা সেম্পল টেষ্ট তৌবদা কোরোনা ভাইরস পোজিটিভ ওইখিবা মীওই অমা শিখিবগী থৌদোক অমা হন্দক্তা প্লেসর কাউন্টিগী পব্লিক হেল্থ অমসুং প্লেসর কাউন্টিগী সেরিফ কোরোনর দিভিজনদা খঙহনখি হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওফিসলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

প্লেসর কাউন্টি সেরিফকী ওফিসতা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফেসবুক পোষ্ট অমদা হায়খি, মীওই অদু থা অসিগী ২১ দা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পবা মতুং পুং খরা কান্নরগা লৈখিদবনি। ভেক্সিন কাপখিবদু প্লেসর কাউন্টি পব্লিক হেল্থনা নত্তে হায়নসু পোষ্ট অদুদা পনখি। মীশি অদুগী মতাংদা মীওই অদুগী চহী অমসুং জেন্দর অমদি মঙোনদা কাপখিবা ভেক্সিনগী ব্রান্দ য়াওনা ওথোরিটিশিংনা মখা তাবা ইনফোর্মেসন পীখিদে।

কেস অদু লোকেল, ষ্টেট অমসুং ফেদরেল এজেন্সি কয়ানা কন্না থিজিল্লি হায়না পল্লদুনা প্লেসর কাউন্টি সেরিফকী ওফিসনা হায়, মীশি অদুগী হৌরকফমগা মরী লৈনবা রিপোর্টশিং ফোঙবা হায়বসি ইনভেষ্টিগেসন লোয়দ্রিবা ওইবনা ঙনমল্লি।

রিপোর্ট অসি জন্যূৱারী ১০ ফাওবদা য়ু এসতা মোদর্নাগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পবা মতুংদা পামদবা রিয়েক্সন খরা থেংনরে হায়না সেন্টরস ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী) না হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবা মতুংদা লাকপনি। য়ু এস ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসননা কুমজা ২০২০ গী দিসেম্বর ১৮ দা মোদর্নাগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ইমর্জেন্সিদা শীজিন্নবগী অয়াবা পীখি। কোভিদ-১৯ থিংনবগীদমক্তা ভেক্সিন অদু থা অমা খন্নহল্লগা দোজ অনী থোক্না কাপকদবনি।

# মেক্সিকোদা কোরোনা লায়চৎ কনশিল্লক্লে, প্রসিদেন্ট ওব্রাদর পোজিটিভ ওইরে

মেক্সিকো সিটি, জন্যূৱারী ২৫ (এজেন্সী) :

মেক্সিকোদা চয়োল অসিদা কোরোনা ভাইরস লায়চৎ কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট অন্দ্রেস মান্যুএল লোপেজ ওব্রাদরনা মহাক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মৈখু য়াম্না শীজিন্নবদগী কুমজা ২০১৩ দা হার্ট এটেক তৌবা লৈখ্রবদা মশাগী চহী ৬৭ শুরবা প্রসিদেন্ট অসিনা ত্বিটর অমদা মহাক্কী লায়ওংশিং অকনবা নত্তে অমসুং হৌজিক মহাক লায়েংলি হায়না ফোঙদোকখি। থা তরাগী মমাংদা মেক্সিকোদা কোরোনা ভাইরস য়ৌরকখিবদগী মীয়াম মরক্তা ফেস মাস্ক শীজিন্নৌ হায়না হায়খিদবা ওব্রাদরনা মতম পুম্নমক্তা মহাক্কী হকচাং ফগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

মেক্সিকোগী অৱাং অমসুং ময়াই থংবা শরুক্তা নুমিৎ হুম্নিগী খোঙৎ অমা চৎলুবা প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খি, মহাক্না মখা তানা থবক তৌগনি অমসুং নোংমাইজিংগী অয়ুক্তা রশিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিনগা ৱারী শান্নবা থৌরাং তৌরি। ওব্রাদরনা কোরোনা ভাইরস ক্রাইসিস মেনেজ তৌবগী মতাংদা ক্রিটিকশিংনা তোয়না চৈখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং মেক্সিকোদা লায়চৎ অসিদা শিবা মী মশীং ১৫০,০০০ রোম শুজিনখ্রবসু পেন্দমিক মনুংদা মীয়াম্না মহাকপু পাম্নবগী চাং ৱাংলকখি হায়বসি পোলিং ফার্ম কন্সুল্টা মিতোফস্কিগী ট্রেকিং পোল অমনা উৎখি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা ওব্রাদরগা নক্লবা এইদ কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না মতম পুম্বদা মহাক হকচাং ফনা লৈ অমসুং কুমজা ২০১৩ দা হার্ট এটেক তৌখিবদগী হকশেলগী মতাংদা চেকশিল্লমখি হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না, হার্ট এটেক থোক্লবা মতুংদা মহাক মৈখু শীজিন্নবা লেপখি।

# মাইনোরিটি রাইটসকী মতাংদা য়ু এন জি এদা পাকিস্থান, ইন্দিয়া দিবেট তৌনখ্রে



ইস্লামাবাদ, জন্যূৱারী ২৫ (এজেন্সী) :

পাকিস্থান অমসুং ইন্দিয়া লৈবাক অনীমক্তা মাইনোরিটিগী রাইটশিং শোকচিল্লকপগী মতাংদা অমগা অমগা মরাল শীনদুনা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লি (য়ু এন জি এ) দা দিবেট তৌনখ্রে।

লাইনিং লাইশোনগী মফমশিং মাঙহন তাকহনখিবগী থৌওং কন্দেম তৌখিবা পাকিস্থাননা কো স্পোন্সর তৌবা রিজোল্যুসন অমা য়ু এন জি এদা পুথোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীনা অমগা অমগা মরাল শিনখিবনি।

পাকিস্থাননা রিজোল্যুসন অদুদা পল্লিবদু ইন্দিয়াদা বাবরি মাসজিদ থুগাইখিবগা মরী লৈনৈ। অমরোমদা ইন্দিয়ানা হায়রিবা অদুনা খাইবর পাখতুনখ্বাগী করাম দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা হিন্দুগী লাইশঙ অমা মৈ থাদোকখিবগা মরী লৈনখি। ইন্দিয়ানা অতৈ লৈবাকশিংগী মায়নোরিটি রাইটশিংগী মরমদা ৱাব্বীবগী মহুত্তা মশাগী মাইনোরিটিশিং করি ফীভমদা লৈবগে হায়বদু খঙগদবনি হায়না ইস্লামাবাদনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ানা মশাগী য়েংদনা অতৈ লৈবাক্কী মাইনোরিটি রাইটসকী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপসি মসিনা অহানবা নত্তে হায়না য়ু এন জি এদা য়াওরিবা পাকিস্থানি দেলিগেট জুলকারনাইন মীমানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ইস্লামাবাদনা রিজোল্যুসন অদুগী কো স্পোন্সর ওইখিবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা ৱাহং কয়া হংখি। পাকিস্থাননা রিজোল্যুসন অদুগী কো স্পোন্সরশিংগী মনুংদা অমা ওইখিবসি ঙক্লিঙাই ওই। করাক লাইশঙদা এটেক চথখিবদু লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা সপোর্ট তৌখি হায়না ইন্দিয়াগী মীহুৎ অদুনা ফোঙদোকখি।

ৱাফম অসিগী পাউখুম ওইনা পাকিস্থানি দেলিগেট অদুনা হায়খি মদুদি মাইনোরিটি রাইটসকী মতাংদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবদি করাককী থৌদোক অদুগী একুজশিং অদু খুদক্তা ফাখি, লাইশঙ অদু শেমজিন শাজিন্নবা ওর্দর থোকপগা লোয়ননা সিনিয়র পোলিটিকেল লিদরশিংনা মদুবু কন্দেম তৌখিবা অসিনি। অমরোমদা ইন্দিয়াদদি ষ্টেটটনা মতেং পাংলগা মুস্লিমশিং অদু অতৈ মাইনোরিটিশিংবু ফোংনা তাথি তাওইনা তৌবী হায়না চীমানা মখা তাখি।

# ওষ্ট্রেলিয়াদা শাবগী চাং ৱাংলকপদগী লাম্মৈ চাক্লকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলক্লে

কানাবেরা, জন্যূৱারী ২৫ (এজেন্সী) :

ওষ্ট্রেলিয়াগী খা নোংপোক থংবা ষ্টেটশিংদা শাবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী লমদম অদু শিন্থুংনা নারক মোংশোংশিংদা লাম্মৈ চাক্লকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলক্লে হায়রি।

ন্যু সাউথ ৱেলস (এন এস দব্লিউ) ষ্টেটকী রিভরিনা এরিয়াদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা লাম্মৈ চাক্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই হায়না ষ্টেট অসিগী ব্যুরো ওফ মিটিওরোলোজিনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা হন্দক্কী হিটৱেভতা মফম খরা সেলসিয়স দিগ্রি ৪০ নত্রগা ৪১ য়ৌখ্রবা মতুংদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ভিক্টোরিয়াগী ষ্টেট কেপিটেল মেলবোর্নদা শাবগী চাং খরা নেমথরক্তুনা মীয়াম্না হরাওনখি। ভিক্টোরিয়াগী মফম খরদা মপানদা মৈ হৌগৎপদা ওথোরিটিশিংনা মপুং ফানা অথিংবা থমখ্রবনি।

# বোবি ৱাইন হাউস এরেষ্ট তৌবা লেপ্পবা কোর্টনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা খঙহনখ্রে




কম্পালা, জন্যূৱারী ২৫ (এজেন্সী) :

য়ুগন্দাগী ওপোজিসন লিদর বোবি ৱাইনগী ময়ুম কোইশিন্দুনা থম্বগী থবক লেপ্পবা লৈবাক অসিগী কোর্ট অমনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা খঙহনখ্রে। থা অসিগী ময়াই চনবা শরুক্তা প্রসিদেন্সিএল মীখল পাঙথোকখিবদগী ওপোজিসন লিদর অসিবু হাউস এরেষ্ট তৌরকখিবদা মালেমনা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লখিবনি।

জন্যূৱারী ১৪ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা ভোট থাদখিবদগী ক্রুপশিংনা মশাগী চহী ৩৮ শুরবা ওপোজিসন পোলিটিসন অসিবু কেপিটেল কম্পালাগী চিদাই ওইরপ্পা লৈবা ময়ুমদগী থোকহন্দনা থমখি। মীখল অদুদা পোপ ষ্টার ওইরম্বদগী লোমেকর ওইরকখিবা মীওই অসিনা মতম শাংনা লৈঙাক পায়রকখিবা প্রসিদেন্ট য়োৱেরি মুসেভেনিগা লম্বা তৌনখি। জজনা ষ্টেট অমসুং মসিগী এজেন্সিশিংদা ৱাইনগী য়ুম শেন্নরিবা ফোর্সশিং খুদক্তা মফম অদু থাদোকহন্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মহাক্কী পসনেল লিবর্টি খুদক্তা হঞ্জিনহন্নবসু খঙহনখি হায়না ৱাইনগী উকিল জোজ মুসিসিনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৮৫ দগী লৈঙাক্কী পৱার পায়রকখিবা মশাগী চহী ৭৬ শুরবা মুসেভেনিবু অপূনবা ভোটকী চাদা ৫৯ ফংদুনা মীখল অদুদা মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখি। চহী কয়া ঈশৈ শক্তুনা শেঞ্জা থুমজা অমসুং অচান মিরাই নাইবগী থৌওংশিং চৈ থাংলকখিবা ৱাইননা ভোট চাদা ৩৫ ফঙখি। মহাক্না মীখলগী রিজল্ট অদু রিজেক্ট তৌবগা লোয়ননা নমথাক তৌখি হায়না মরাল শিখিবদা গভর্ণমেন্টনদি মহাক্কী ৱাফম অদু য়াখিদে। মুসিসিনা হায়খি মদুদি জজগী রুলিং অদুদা করিগুম্বা ৱাইনগী মায়োক্তা অরানবা মরাল শিবা ৱাফমশিং লৈবা তারবদি মদু কোর্ট অমসুং পুলিসতা খঙহনগদবনি হায়নসু পনখি।

রুলিং অদুগী মতাংদা কম্মেন্ট পীনিঙাই লৈতে হায়না পুলিস স্পেক্সমেন পেত্রিক ওনয়াঙ্গোনা ফোঙদোকখি। গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগীসু রুলিং অদুগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

Apollo Tutorial Centre
Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office
ADMISSION OPEN
Foundation Course For: Class - XII Sc. (COHSEM & CBSE)-2021-22 (Physics, Chemistry, Maths & Biology)
Class Starts: 8th March, 2021
Time: 5 - 8 a.m.
Condense Course for: XII Arts HSE - 2021 (COHSEM) (Gen.English, Pol.Sc., H.Sc., Edn., History, Manipur(MM), Economics)
Class Starts: 1st Feb. , 2021
Time: 2 - 5:45 p.m.
Under the Guidance of Experience Teachers
For details Pliz. Contact:- APOLLO Office, Kwakeithel (7:00 a.m. to 5:00 p.m.)
HL-B/6624/23-29/1-3/2

ADMISSION OPEN
PHOENIX ENGLISH COACHING
SPOKEN ENGLISH & ENGLISH GRAMMAR COURSES FOR ALL AGES
ALONG WITH X & XII ENGLISH CRASH COURSES
FOR MANIPUR BOARD & COUNCIL
PLEASE CONTACT 8974642764 FOR DETAILS
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL LAIMAYUM LEIRAK,
IMPHAL
HL-B/6689/10/1-7/2(alt)